# তাইবঙপান শেবাৎনবা য়াওরি

## মণিপুরদা ৱাথোক লান্থোক্তুনা কদাইদা থোক্কোরিগে

'তাইবঙপান শেবাৎনবা' হায়বা ৱাহে অনীসিবু পাক-চাউখ্রবা মালেমসিদা লৈরিবা য়ামখ্রবা মীওই ফূরুপশিংগী মান্নদবা লোলশিংদসু লৈরমগদ্রা? লৈরমগদবা মাল্লি। মানবা নত্তে, শোয়দনা লৈরমগনি। মালেমগী চাওখৎলবা লোলশিং লোইনা কোৎশিন-লামশিল্লুদ্রবসু সব-কন্টিনেন্টনি হায়রিবা লৈবাকসিগী 'ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ' গা হায়নবা অৱাংবা লোলগী থাক ফাওবা খন্দোক্তুনা থল্লকপনিনা শোয়দনা লৈফম থোকই। অদুবু 'তাইবঙপান শেবাৎনবা' খজিক্তং শমজিল্লগা 'তাইবঙ শেবাৎনবা' হায়বা ৱাহে অনীসিগী ৱাহন্থোক (অর্থ) না করি ওইগদগে? ৱাহে অনীসি লৈবা ইন্দিয়াগী অমসুং লৈবাকসিগী ৱাংমদা লৈবা অতৈ লোলশিংগীদি খঙদ্রে। 'খঙদবনা হায়বনি, মীতৈ কবি লাকখিনি' হায়নরক্লিবা মীতৈলোলগী ওইনদি 'তাইবঙপান শেবাৎনবা' হায়বসি মীওই মপোক্কী তাইবঙসিদা মশাগী ওইফম থোকপা ফীভম্সু মথক-মখা থোক ওন্থোক্তুনা ওইহনবা, মীওই অমনা মহাক্কী শিনফম অমসুং মথৌগী ওন্ন-তৈনবদা তৌরোইদবা মথোং চাদবা থবকশিং তৌথোকরকপবু খঙনৈ। খঙনদুনা লাকই। হায়রিবা থৌওংশিংসিগী খুদম চাংদমশিং ওন্থোক্লা মরাং কায়না লৈখ্রে। খজিক খরাক্তা নত্তে। লৈরিক-লৈরাক পীক থন্না লৈ হায়বা ফাওবা য়াই। খুদম অমত্তং লৌখৎলবদা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপা-নুপী অনীগী মরক্তা নুপানা অঙাং লৌবা অমসুং পোবা-পম্বা য়াই, তৌনৈ। অঙাংদু মখোয় অনীগী মচানি। নুংশিবদগী তৌবসু য়াই নৎত্রগা তাঞ্জা-মেঞ্জাগী মতুংইন্না অঙাংদুগী মমাগী মতেং পাংবনি হায়রবসু য়াই। অচুম্বসু ওইগদৌরিবনি। অদুবু নুপীদুগী মহুৎতা নুপাদুনা মহাক্কী খোইজি খাদা নাওপুরক্তুনা অঙাং উনরক্লবদি তাইবঙপান শেবাৎনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা হায়বনি। মসি খক্কী ৱাফম নত্তনা নুপী ওইগেরা, নুপা ওইগেরা মশানা খূৎপায়নরিবা শিনফমদুগী মতুংইন্না পাঙথোকফম থোকপা মথৌশিং পাঙথোকপগী মহুত্তা শেরান-তুরান তৌবা হায়বদি শিন্থোং খঙদবগী থৌওং চত্থরকপা, ঙাঙগদবা ৱানা ঙাঙদ্রগা ঙাঙলোইদবা ৱাফমশিং ঙাঙ-শকপবুসু তাইবঙপান শেবাৎনবা হায়দুনা কৌগনি অমসুং লৌগনি। অসুম্মাইনা তৌবসি লন্নাই মীওই খরদা থোকপদদি অদুক য়াম্না মনা-মনিল নাইনদে। ওন্ন-তৈনবা থৌওংশিং অমসুং ৱাঙাঙদুনা শাফূ কনবা চৈফূ অমা ওইহল্লকপসু ঙমহন্দে, ওইরক্তে। লন্নাই মীওইশিংদু খক্তা মথোং খঙদনা অমসুং ৱাইওং চাদনা লৈজবা নত্তনা অদুক য়াম্না কনবা চৈথেং পীরকপা ঙমদে। অদুগা মীয়াম্না মখোয়গীনি হায়দুনা খঞ্জবশিং য়াওনা মণিপুরগী মীহুৎশিংনি হায়দুনা লৈরিবা মীহুৎশিংনা তাইবঙপান শেবাৎনবগী থৌওংশিং চত্থরক্লবদি মখোয়গী মীয়াম, মরমদম মণিপুরনা করি-করম্বা ফীভমদা ওইরক্কদগে? অসিগুম্বা মীওইশিংসিনা মীহুৎ ওইরকপসি লাইবক থীবনি হায়দুনা লাইবক্তা অমসুং থবাক্তা খূত্তুম শুরগা অদুম্মক লৈথোক্কদ্রা হায়বনি।

হোয়, 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' গী দিমান্দ তাল্লদুনা চত্থরক্লিবা লানসিগী ৱারোইশিন হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা পুরকপা ঙমদ্রি। দিমান্দসিগী মতাংদা লৈখাই তাবা ফিরেপতি মণিপুর লৈঙাক্লা লেপচবা ঙমদে। মরমদি দিমান্দসি কন্সটিট্যুশনগী অকক্লবা আর্টিকল অমা পকশিন-কোনশিন্দুনা তাল্লকপনি। মরম অসিনা দিমান্দসিগী মতাংদদি থাক অনী থোক্লা লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টনা লেপকদবনি। মসি অমসুং ওইরবসু মচু মান্নদবা ফৌমান খরা য়াওজরবসু মণিপুরগা মরী লৈনবা ৱাফমনিনা মরোল নাইনা লৈরিবা ষ্টেটসিগী মীহুৎশিংনা অমত্তা ওইনা তাশিন-পুনশিন্নরগা পার্লিয়ামেন্টকী সভা অনীগী মপু ওইরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা খ্বাইদগী অকনবা প্রেসর পীফম থোক্লিবনি। মসি পীহৌদবদগী হৌজিকসু মণিপুরগী ফীভম মহি লাংদুনা লৈরিবনি। অদুবু থোরকখিবা লানসিগী থৌদোকশিংগী মনুংদা নুপী-অঙাং খাক্তনা মীচম কয়া দোম-দোম তুহনবা মখৈ চঙহাৎ-চঙহাৎ হাৎপগী থৌদোকশিংনা মখ্বাঙ কোইদুনা খোঙদাফম লৈখিদবা তাঞ্জাদা ফাওবা মখূৎশিং মক্রাং লোল্লগা তাইবঙপান শেবাৎনদুনা লৈখিবা মীহুৎশিংসিনবু মখা তারকপদা করিবু তৌবা ঙমজরকখিদোইনো? হন্দক্কী এসেমব্লিগী টর্মসিগী ওইনদি মীহুৎশিংসি কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবা অদুম্মক ওইরনি। মখা তানা থাজনীংঙাই করিমত্তা লৈত্রে। অতোপ্পা পাম্বৈ অমমুক লৈত্রে। পুন্লোয় লোইরে। মসিনবু হৌজিক খাঙেনফমদা খনবা শঙ মনুংদা থাংজিন্দুনা থল্লকপা থা ৭ শুজিল্লক্লিবসিনি। হোয়, এসেমব্লিগী মীহুৎশিংসিবুদি থাও তৈরবসু, শমচেৎ হাৎলবসু শাংবা হেন্দ্রবা পিশুমদৌনা লৈরক্লবসু পার্লিয়ামেন্টকী হেন্না মপাঙ্গল কনবা অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য সভাগী অমখক্তমক লৈজবা মেম্বরসিনা কমদৌবা? লন্নাই ওইনা অদু-অদা হায়দুনা চিন অমা পাল্লি হায়দুনা পঙাঙ-ঙাঙবগী ৱাফম নত্তে। দেল্লীদা লৈবা 'পীপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্টিজ' (পি য়ু সী এল) কৌবা বোদি অমনা মণিপুরগী লানগী মতাংদা 'ইন্দিপেন্দেন্ট পীপল'স ত্রাইব্যুনেল ওন দি ওন-গোয়িং এঠনিক কনফ্লিক্ট ইন মণিপুর' হায়না মিংথোনবা লমায় ৬৯২ পানবা রিপোর্ট অমা পুথোরকখ্রে হায়বগী মতাংদা ফোঙদোকখ্রিবা ৱাফমশিংদুবু করিনো? য়ুনিয়নসিনা রিপোর্টতু ওগষ্ট ২০, ২০২৫দা দেল্লীদা ফোঙদোকখিবনি। রিপোর্টতুদা লানগী চৈথেং নংলক্লিবা মীতৈ ফূরুপ্তা ওনশিন্দুনা মরাল কয়া শীজিল্লকপনি। ওইদবা, অরানবা, শেমজিন-শাজিনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লে। মীতৈ ফূরুপ্পু লান্না উহল্লে হায়বনি। ওগষ্ট ২৭, ২০২৫দা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা নেশনল অমসুং ইন্টরনেশনল এৱার্দিশিংনি হায়বশিং ওকপগী থৌরমদা রিপোর্টসিগী মায়োক্তা ফোঙদোকখ্রিবশিংদুবু করিনো হায়বনিদা? ৱাথোক ওইরক্লবা রিপোর্টসিগী মতাংদদি থৌওইনা পাউমীশিংগী অচৌবা মীফম অমা ফাওবা পাঙথোক্তুনা য়ানীংদবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্কদবনি। রিপোর্টসিগী মায়োক্তা লৌখৎপা অমসুং লৌখৎখিগদবা থবকশিং ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মসিদি মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা, মীহুৎ অমা ওইবগী তৌফম থোকপা চপ-চাবা থবক্নি। অদুবু হোয়, লম্বী ৱা ওইনা ফোঙদোকখ্রিবদুসু য়ারগেনে। অদুবু রিপোর্টসিগী মায়োক্তা ক্লব, মৈরা পায়বী য়াওনা মীওই লিশীং ৩ হেনবগী মীয়াম্না পুলিসতা 'এফ আই আর' লোজ তৌরনি হায়খিবা ওইরমাল্লে। ৱাফমসিবু তাইবঙপান শেবাৎনদ্রিবরা হায়বনি। পি য়ু সী এলনা মণিপুরগী লানসিগী মতাংদা শেবাৎনবা রিপোর্ট পুথোরকই হায়দুনা মতৌ তল্লগা শেবাৎনবগী লম্বীদা খোঙদারক্লিব্রা হায়বনিদা!! ক্লব, মৈরা পায়বী অমসুং য়াল্লবা মীয়াম্না পুলিসতা ৱাকৎকদৌরি হায়বগী মহুত্তা 'ঐনা মণিপুরগী এম পি অমা ওইনা ৱাকৎখ্রে, রিপোর্টতু ৱিঠদ্রো তৌহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা চে ইখ্রে। পি য়ু সী এলদসু খঙহনখ্রে হায়রক্লমগদবা নৎত্রা? খঙদ্রে শেবাৎনবগী শেবাৎনবনা পীক থঞ্জিল্লকপসিদা মীয়ামসু লোইনা শেবাৎনরবা মাল্লে, ওন্থোকপনিদা!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৩৯)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চন্নম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

নোংদা নোংচু থৌখামনিংথৌ চন্নু ও মিংকৌবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। লাইরেল ঙাংঙোই য়োইমোংবনা। মচন মেনু লৈতবা। মেলনু মচননুপী লৈয়ে। হায়জিননবা ৱাগী। চীংঙু নোংথৌ শোরারেলনা। পূকনিং অশাওনা। মশা থক থক নিকনা। কোরৌ খাকতুম খাক। ৱাংলেল লাওদুম লাওনা। নোংখোং নোংচুরবগী। ঈশিং ঈচাওনা থুমলবদা। কোরৌ নোংদোল মং। লৈচিল নোংনা কুপ। নোংহাংবা লৈতরবদা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -(꯶꯳꯹)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯟꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯅꯣꯡꯗꯥ ꯅꯣꯡꯆꯨ ꯊꯧꯈꯥꯃꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯟꯅꯨ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ॥ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯉꯥꯡꯉꯣꯏ ꯌꯣꯏꯃꯣꯡꯕꯅꯥ॥ ꯃꯆꯟ ꯃꯦꯅꯨ ꯂꯩꯇꯕ॥ ꯃꯦꯂꯅꯨ ꯃꯆꯟꯅꯨꯄꯤ ꯂꯩꯌꯦ॥ ꯍꯥꯌꯖꯤꯅꯅꯕ ꯋꯥꯒꯤ॥ ꯆꯤꯡꯉꯨ ꯅꯣꯡꯊꯧ ꯁꯣꯔꯥꯔꯦꯂꯅꯥ॥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯑꯁꯥꯑꯣꯅꯥ॥ ꯃꯁꯥ ꯊꯛ ꯊꯛ ꯅꯤꯛꯅꯥ॥ ꯀꯣꯔꯧ ꯈꯥꯛꯇꯨꯝ ꯈꯥꯛ॥ ꯋꯥꯡꯂꯦꯜ ꯂꯥꯑꯣꯗꯨꯝ ꯂꯥꯑꯣꯅꯥ॥ ꯅꯣꯡꯈꯣꯡ ꯅꯣꯡꯆꯨꯔꯕꯒꯤ॥ ꯏꯁꯤꯡ ꯏꯆꯥꯑꯣꯅꯥ ꯊꯨꯃꯂꯕꯗꯥ॥ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯗꯣꯜ ꯃꯡ॥ ꯂꯩꯆꯤꯜ ꯅꯣꯡꯅꯥ ꯀꯨꯞ॥ ꯅꯣꯡꯍꯥꯡꯕ ꯂꯩꯇꯔꯕꯗꯥ॥ ●

# কয়াম কুইনা নীংশিংনদৌরিবা?



**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

মীনা হেক মালেমদা লৈরকঙৈদগী হৌজিক ফাওবসিদা তাইবঙ মী কয়া য়াম্না পোকখ্রবগে অমদি কয়া য়াম্না শিখ্রবজাৎনো হায়বা অসি মী অয়াম্বনা খঙবীনীংলমগনি। ঐসু খঙনীংই। চপ চাবদি কনাসু হায়বা ঙম্নদে। অদুবু বিলিয়ন চামরোমদি পোক্লম্লগা শিখ্রে হায়না পানরি। থেংনফম অদুদি কাউথোকচখ্রে। নুংঙাইরিবা ৱাফম্নি। তৌববুদি ঐনা হায়জরিবসি মীনসু হেক্তা য়েৎনীংবা ৱানি। (অমবু ওইরে অমবু ওইরে, সুমাইনা হায়ফেৎ মী অমনা লানবু লাল্লে, চুম্বু চুল্লে হায়দোরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইজখ্রে, ৱাখল খনবা ফংই, লাইরিক পানীংলকই, কমাইনা হায়রিজাৎনো তিংখত্তনা খঙনীংলকই)।



হিংলম হিংলম্লগা শিনখ্রিবা মী কয়া অসিগী মরক্তা খরা অমনা মঙানি লৈহুন ফাওবদং নীংশিংলম্লগা অদুম কাউনখিবা খরা অমনা শোরাৎফাওবা নীংশিংনবা, ফিরোই ফাওবদং নীংশিংনবা মী কয়ানি। খরা অমনা হেক শিখিবগা অসুম হেক্তা কাউনখিবা কয়ানি। নীংশিংবদা থোইনা কান্নদবা মী কয়া। মী খরা অমনা শিখ্রবা মতুং চহী লিশীং কয়া মীরোল কয়ানা নীংশিংনদুনা লৈবা ঙম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা, সোক্রেটিস, আলেকজেন্দর, প্লেটো, এরিষ্টোটল, সেক্সপিয়র, জি বি শো, চার্লি চেপ্লিন, লেনিন, মহাত্মা গান্ধী, থোমাস অলভা এদিশন, ন্যুটন, মেদাম ক্যুরি, মার্কোনি অসিনচিংবা। লান্মী, লাইরিক ইবা, পোলিটিসিয়ন, হ্যুমেনিটরিয়ন, ঈশৈ শকপা, ফিল্ম কূম্বা কয়া কয়া।

শিখ্রবা মতুং কুইরফাওবদা তাইবঙ মীশিংনা নীংশিংনরিবা অসি করি-করি মরমদগীনো? খুম্বা য়াই, মখোয়গী তোঙানবা ফজরবা মীগা মান্নদবা ফিলোসোফি, মীৎয়েং, রিজনিং নৎত্রগা মখোয়গী ৱাংলবা কোক্লোন অদুনা ওইগনি। ইচম চম্বা মীশক অমনা মাসু তুং কোইনা নীংশিংনহন্নীংলদি থম্মোয় খরা শেংনা, খরা কথোকপা ঙল্লবদি মীনা মমল কানা নীংশিংনহৌগনি। তোঙানবা ফজবা ফিলোসোফি (কোক্লোন নৎত্রগা ৱাংউলোন) লৈজবা মী অমা ওইবা ঙম্মবসু মীনা মমল লৈনা নীংশিংনহৌগনি। মদুগুম্বা ৱাংউলোন লৈজদবা নৎত্রগা কথোকপা ঙমদবা মীদি তুং কোইনা নীংশিংবা মীদি ওইরোই। হোয়, মীয়ামদা হিংলিঙৈ অচম্বা থবক খরা তৌরগা হিংনবা লাক্লরম্বা মী ওইনা লোইখিনি। মাবু কনামত্তনা মখা তানা তুং কোইনা নীংশিংনরোই। ঐনা নীংশিংদুনা লৈবা মী পঙয়াম য়ামদে। ঐনা কাউবা মীদি ফনয়াম্না লৈখ্রে। কাউই হায়বফাওবা খঙদনা কাউখ্রে। মীনা নীংশিংহৌনবা অফবা থবক তৌবা অরায়বা নত্তে হায়বা তাই। পাক্লা মদু তৌবা ঙমদে। ইচম চম্বা নৎত্রগা ময়ায় ওইরপ তৌবা থবক অমবু য়াম্না চাউনা উহল্লগা নীংশিংনবা তৌবসু লৈতবা নত্তে। স্কুটর হুরানবা অমা ফারে হায়না খল্লসি অদুগা মাবু অমুক্তা থাগৎতুনা য়েংলসি। তোম্বনা স্কুটর হুরাল্লে অদুগা হায়বা য়াই, মহাক অশেংবা, নোম্বা কনবা মী অমনি, মানা মীগী মরলবু মা মশাগী ওইবা মওং অমদা মী অতৈদা পোৎ অমা ফংহনবগী মওংনি, মীনা লৌবা ঙল্লরোই খনবা পোৎ অমবু লায়না লৌবা ঙম্বগী পীথোরকপা গুণ লৈবা মী অমনি, কোক লৈবা মী অমনি, খাঙবা কন্দনা মদু তৌবা য়াবসু নত্তে, মথৌনা লৈবা মীনি অসিনচিংবা হায়জিনবা য়াই, নুংশক (মুর্ত্তি) শাদুনা লাৎপা য়াই হায়জিনবা য়াই, শাবফাওবা য়াই। সিনদি চৎনবা য়াবা নত্তে।

অমরোমদা, মথক্তা পঞ্জখিবগুম্না ইশাগী ফিলোসোফি অমা য়াওদ্রবা ঐগুম্বা অচম্বা মীদি শিখ্রগসু পঙকুই কুইনা নীংশিংনরোই। ঐবু নীংশিংহৌনবা ঐগী ওইবা ৱাখল্লোন অমা লৈতে। নীংশিংবা তারবসু য়াম্না কুইনা চৎলোই। চুম্না সুম পঙহিং হিংলম্লগা অহাউ-অথুম, য়েন থোংবা, ওক থোংবা, ঙানু থোংবা খরা চারম্মগা লৈদং লৈরম্বা মী খরগী মমিং পীয়ুগা হায়রগবুদি শোয়দনা ঐগী মিং পন্নরকপা য়াই। হায়রিবা অদুদি ঐ করিমত্তা পামজদে।

ঐনা পামজদবা অমগসু লৈরি। হূ পাম্বী ওল্লগা ফত্তবা য়াবা ফৎলমদনা হিংলম্বগীদমক্তা মাবু করিনো ফজবা মমিং অমা থোনবীরগা নীংশিংবীবদুমক্তি ঐ শুকপাম হেক পামজদে। মদু য়াম্না কুইনা চত্তৌসু কয়া মানফাত্তে। পূক্লুংদগী থোকচরক্কদবা মী অমগী ফজবা ফিলোসোফি হায়সি শাবা য়াবা নত্তে।

অদুনা ঙম্মগদি অফবা থবক তৌবা, অচুম্বা ঙাঙবা, কথোকপা, ইশাগী ফিসোলোফি অমা লৈজবা ওইবা মীনা নীংশিংনহৌগনি। নৎত্রবদি মী লোইনা নীংশিংবা করিসু য়ারোই। মীওইবগী থম্মোয়দা পন্দুনা লৈহৌগদবা মীগী মমিং ওইয়ু য়ারোই। নীংদি নীংশিংহন্নীংবা অফবা তৌবদি ঙমদবা লাইনা য়াদে। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ জমাল-গোতা # ৫০৪

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

অরিবা লায়েং পথাপ কয়ামরুমশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লবা পাম্বীশিংগী মনুংদা জমাল-গোতা হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। জমাল-গোতা অসি ইংলিসতা পজিং ক্রোতোন (Purging Croton), সংস্কৃততা জায়াপালা (Jayapala), থাইদা সেলোট (Salot), চাইনিজদা বা দৌ (Ba Dou), জপানিজদা হাজু (Hazu), ভিয়েটনামিজদা চোং খোই (Chong-Khoi), বর্মিজদা কানাখুই (Kanakhui), বেঙ্গলিদা জাইপাল (Jaipal), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ক্রোতোন টাইগ্লিয়ম (Croton tiglium L.) নৎত্রগা ক্রোতোন আর্বোরিয়স (Croton arboreus Shecut) নৎত্রগা ক্রোতোন বিরমানিকস (Croton birmanicus Mull. Arg.) নৎত্রগা ক্রোতোন জামালগোতা (Croton jamalgota Buch.-Ham) নৎত্রগা ক্রোতোন হিমালায়কস (Croton himalaicus D.G. long) হায়না কৌই অমসুং য়ুফোর্বিয়েসী (Eupherbiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি আৱা-কেগে (জাত্রোফা কুর্কাস), কেগে (রিসিনস কোম্যুনিস), ইরায়লৈমা (য়ুফোর্বিয়া হেলিওসকোপিয়া) অসিনচিংবনি। জমাল-গোতা পাম্বী অসি কনাগুম্বনা ইতোন-ফায়বী পাম্বী হায়না কৌনরবসু ময়াম্না খঙনরিবা ঈতোন-ফায়বী পাম্বী অসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদি ক্রোতোন ক্লোরোকেলিক্স (Croton Chlorocalyx L.) অসিনি। জমাল-গোতা পাম্বীগী বোটানিকেলগী স্পিসিস টাইগ্লিয়ম হায়বসি গ্রীককী ৱাহৈ টাইগ্লোস (Tiglos) হায়বসিদগী লৌথোকপনি অমসুং মসিগী ৱাহন্থোক (অর্থ) না দাইরিয়া হায়বদি খোঙ-হামথবা অসিদগী লৌথোকপনি।



জমাল-গোতা অসি ফুট ২৫ ফাওবা ৱাংবা মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা চপ য়ুংনা হৌবা উ পাম্বী মচা অমনি। পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, চাইনা, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্সনচিংবা মফমশিং সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ১৫০০ ৱাংবা ফাওবদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা পাম্বীনি। Pillai না কুমজা ১৯৯১দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না জমাল-গোতাদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দ অদুদি ক্রোতোনোলিক এসিদ (Crotonolic acid) অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না জমাল-গোতা পাম্বী অসি চহী ২০০গী মমাঙদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। চাইনিজগী মরোলদা বা-দৌ হায়না খঙনবা জমাল-গোতা পাম্বী অসি চাইনিজগী অরিবা অনা-লায়েং পথাপ্তা শীজিন্নবা হীদাক পাম্বী ৫০গী মনুংদা মরু ওইবা পাম্বী অমনি। শ্রীলঙ্কাগী অরিবা লায়েংদা পাম্বী অসি য়াম্না মরু ওই। তশেংনমক জমাল-গোতা পাম্বীগী মশা পূম্নমক অসি হূ চেল্লি। অয়ুর্বেদকী অনা-লায়েংদা জমাল-গোতাগী মরূ অদু শঙ্গোমগা শেম্বা হীদাক অদু অরিবা-অমাংবা য়ৈখৎতুনা খোঙ হাম্বা ঙমদবা অদুগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। মৈহৌরোলগী মতমদগী জমাল-গোতাগী উগী মকু অদু শা তানবদা শীজিন্নবা তেন (arrow) অদুদা হূ ওইনা তৈদুনা শীজিন্নরক্লে হায়বগী পাউদমসু লৈ। পাম্বী অসিগী মরূ অদু তকখায়রগা ঈশিংদা চাইথদুনা ঙা মকোক ঙাওহন্দুনা ফাবগী পাউদম লৈ। অমরোমদা জমাল-গোতাগী মরূ অদু খোঙ হামথবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ।

ইকজেমা (Eczema), ইটচিং (Itiching), ইরপশন্স (Eruptions) অমসুং হর্পিস-জোসটর (Herpes-Zoster) হায়রিবা উনশাগী ওইবা অনাবশিং অসিদা জমাল-গোতা অসি অফবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নরক্লি। নুপাগী ফিনুংদা য়াম্না হাক্কচবদা জমাল-গোতাগী মরূ অদু কূপ্না তকখায়রগা শঙ্গোমদা নৈখায়রগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না হায়রিবা অশেম্বা অদু নুপীগী ফিনুংদা হাক্কচবা অদুদসু ফহনবগী মথক্তা নুপীগী খোমজিন অদু পোমখৎলগা হাক্কচবা অমদি নাবা অদুদসু হীদাক ওইনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লে। জমাল-গোতাগী মরূ অদু কূপ্না তকখায়রগা আলকোহল মরুওইনা ইথানোল (Ethanol) দা চয়োল খরা তিংলগা চুমথোক্তুনা লৌবা মহী অদু উনশাগী লায়নাশিংগীদমক্তা অফবা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা মহী অদু কোক চীকপদা লায়বক্তা তৈদুনা লায়েংনবগী মথক্তা গ্রেনুলার আইলিদস (Granular eyelids) হায়না খঙনবা মীৎপান্দা মরুম-মরুম কাদুনা ঙাংশং-ঙাংবা অদুসু ফহনবা ঙম্মী হায়না পাউদল্লি। নুমিদাং তূল্লিঙৈদা য়ুং তোয়না হানগনবা, লোক থুংবা, হরা-কংখু তৌবা অমদি নুপীগী খোম অদু মথা-মথা পোমখৎপদা শীজিন্নবা হোমিওপেথিগী হীদাকশিং শাবদা জমাল-গোতাগী মরূ অদু মরুওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। গাউট নৎত্রগা অর্থ্রাইটিস হায়না খঙনবা তাং চাউথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবদা জমাল-গোতাগী থাউ অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ।

জমাল-গোতা অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নরবসু পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক অদু হূ চেনবা মরম্না পাম্বী অসি অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবসি অখঙ অহৈগী অকক্লবা পাউতাক য়াওদ্রবদি শীজিন্নরোইদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা চেকশিন-ৱা থল্লক্লি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২০গী ৱাহং**

১) "নীংতম্বৈ ই কোরৌ মঙালনা তরং তরং
সনা ঈরিক চাইথবগুম চাইথরক্লেনে
ঙসি নোংপোক চীংদোমপোক্তগী।"

শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "লৈরি নঙদি থম্মোয়নুংদা" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু।

৩) "নীংশিং লকানুংদগী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) প্লেটোগী 'দ রিপব্লিক' হায়বা দাইলোগ অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) "লাইরিক অসি পারক্পদ মসিদ শীজিন্নরিবা ৱাহয় ৱারেংনচিংব অসিদ মপালথোংদ মতিক চাবা সাহিত্য অমা ওইনা উবগুম্ মনুংগী ভাবত য়েংলগদি বিজ্ঞান্গী অথুপ্প ৱা ফজন ফোংদোকই।" ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা লাইরিক অমগী 'ৱামাঙ য়ান্বা ৱাহয্ খর' গী মনুংদা ইবনি। লাইরিক অসিগী মমিং ইরকউ।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।